

*"ঙাওদুনবু শাইরিক ইরিবনি, ঙাওদ্রবদি ইরম্লোই। নখোয়গী হিসাব-পুসাবকী য়াম্না সিষ্টেম্যাটিক ওইবদু অইবশিংগদি চানদে।"*

*- এম কে বিনোদিনী*

## ঐ অতোপ্পা প্লানেট অমদগীনি

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লৈকায় অসিদা ঐ মীনৌনি
ঐগী দেব কর্ম্মগী চেবাউ
লৈকায় অসিদা মমি তমদ্রি।

ডাকঘরদগী লাকপা চিঠি
পারসেল, ডাক পিওন্না
ঐগী য়ুম ঐগী লৈফম খঙদে,
এদ্রেসতি লৈকায় অসিনি।

অতোপ্পা প্লানেট অমদগী
লাকপা কনাগুম্বা,
কনাগুম্বী অমগুম
মফমসিদা ঐ লৈরি।

করিগুম্বা মরম অমগী
মঙানি, তরানি মপান চৎপা
তারবদি ঐ মফমসিদা
অনেকপা খুলংগী মী
থম্বা তাই, ঐগী য়ুমগীদমক
শঙবীনবা পৈশা পীদুনা।

মফম অসিদা ঐ অতোপ্পা
প্লানেট অমদগী লাকপগা
চপ মান্না লৈরি।

কনানসু ঐবু খঙবিদে
ঐনসু খঙদে কৌনদে
ঙাঙনদে ৱা অমা ফাওবা,
অনীরকসুনা ঙাঙন-শরুবা
কনাসু লৈত্রি।

মফমসিদা, লৈকায় অসিদা
ঐ অতোপ্পা প্লানেট
অমদগী লাকপগা
চপ মান্নরে।

## লৈরাং কুন্দো

**—এম নিলকুমারী**

অঙাংবা গুলাপকী চবুন
তিঙ্খংলক্তগী মুল্লগে
ইয়ায় থক্কী অঙাংবা থরো
অশাংবা মরী য়াওনেগে
থন্নানা য়োল্লগে
চান্মা নিপালগী লৈনাগী থম্বালসে
সনা মানবী সনারৈ
লৈরাং চরোং শেন্নগে
মরী চৎপী লৈনম চাওবী মধুমতি মালিকা
পরেং ওইনা লেংলগে
ৱাজসনু লৈকোল খুদিং লৈরগে
নোংঙাল্লমদাই শিঙ্গারৈ
মালি ওইগে লৈখোং শংবা
থাবলগী লৈরাং থাবল্লে
থাবলগী মঙাল য়েংমিন্নগে
লৈনা লক্তা লোত্তুনা
মরী চৎপী অপ্রাজিতা
অঙাংবা অথোনবা জুবাকুসুমদা য়েৎহনগে
কুন্দো লৈরাং পরেংদি
শাবী শানৌগী পুন্সি লৈপুনগী খাল্লগে।

## তারক্লিবা মীৎলু পিরাংসে

**—নোংমাইথেম প্রেমানন্দা**

তারক্লিবা মীৎলু পিরাংসে
পিরাং নত্তে, থম্মোয়গী ইহুলনি
নঙবু নুংশি হায়খিবদো
চিনবান্দগী নত্তে,
হিংলিবা থৱায়গী খোঞ্জেলনি।

অহিক্লবা খোঞ্জেলনা কপ্লিবসে
কনা মশুংলাংগী নত্তে,
নঙবু নুংশিরুবগীনি
ইরাল লৈত্রবা পুন্সিসে
নঙগীদমক কখোল্লগে লেপখ্রবনি।

ঙসিগী অরোইবা নুমিৎসিদা
ওন্না থোইনা খাঙলিবসে
লাইবক্তা তম্লম্বনি খল্লগে
য়েৎকদবা উরীনা কংখ্রবদা
লেপ্লিবা উপালনা কৈদৌরুনি।

## লুপখ্রে ঈরোলনুংদা

**—অথোকপম তোম্বা**

লুপখ্রে লাইজ ঈরোলনুংদা
মালেম লৈতুম্না তাবগুম
মতম মতমগী চোইরোল ৱা
কুমথা হনখ্রে লোইদুনা
ইঙা ইঙেল নোংজুথা।

লাক্লে অনৌবা চহী অমুক
ৱাকচীং ফাইরেল নিংথমথা
নোংজু শৈশক্তা পনখিবা
ইরম খোংবান্দ মীৎয়েং চং
মশীং নাইদ কায়র তোর্ব্বান।

ইকংথা লাকপা ঙাইরম্বা
লোৎখরে কাচিন কোয়াদা
তুমিন লোম্হোক্তা শাখ্রে
ঙাইরি ইখৌ লাংনা ঙাইরি
তুরেল মীঙ্গৌবী মহাক্লদি।

খাংলি কায়রবা তোর্ব্বান্দি ৱানা
ইঙা ইঙেল লাক্কনি খন
মীপাইরী পূক্লিং তাইবঙগী
শকখি লেংখি ৱাঙাঙশিং
খোঙবান চোঙলগা কোকপা ৱাশক।

লৈরি তোর্ব্বান্দি মচি লেংদনা
তাইবঙ পুন্সিগী ৱাখলদা উংলি
নোংমতা য়েংবীররোই খন
শোল্লি তোর্ব্বান্না নিংথম উলেন্দা।

## চৎখ্রেকো পুপুগী ইশুসে

**—ৱাজেন্দ্র সারুংবা**

খঙদে ইশুসে পংনুংদা নুংশি
ইখূৎ পায়দুনা ঐবু চিংলি অচাপোৎ য়োনফমদা
পুপু মেগ্গী লৈবিয়ু, অঙ্কলচিপ লৈবিয়ু
চোক্কলেট লৈবিয়ু পিং-পোং লৈবিয়ু
মখূৎ মচা অদুনা থিল্ল-থিল্লদুনা।
নুংতিগী স্কুল কারমদাই
নুমিদাংৱাই স্কুল হল্লকপদা
লেপ্তে নোংমগী পুপু ইশুগী লীলা।
শেল থোকপা হন্থরক্লবা পুপুনি খংলম্মোই
'দুবু পুপু ঐদি ইশুনা হায়বা খুদিংমক
ঙম্নবা মনীং থুংনবা হোৎনরি
কপ্তুনবা নিংঙাই তৌদনবা
লমজেল চেনমিন্নে তান্নবি শান্নমিন্নে
হা হা নোক্না ময়ানা ইকা কানা
হকচাং শাজেলনি পোথাফমনি শান্নপোৎনি
মপু মশুগী খিংখাং চাবা থকপা।
অদুবু মতমগী খোঙলৈনি তাইবঙগী খোঙচৎনি
পুপু ঐগী ইশুনুপীগা পুনগদবসি মতম কয়ানো
ইশু চাউরক্লে ইকায়বা খঙলক্লে
মরুপ মপাং য়াম্লক্লে
পুপু ঐঙোন্দগীসু খরা খরা লাপথোকপা হৌরক্লে
নুংশি নুংঙোল হৈরক্লে চাউবা কাংদোং ফারক্লে
নকশিল্লক্লে মতমদো, খঙহৌদনা নোংমদি
লাক্লেদো ইশুগী লুহোংবা নুমিৎতো
ঐখোয় খ্বাই মমা মপা, মপুং-মৌপ্বা, মপূ মবেন
পূম্নমক কৈসু লৈত থাদোক্লম চৎখ্রেদো ঙসিদি
ওহ! অসুক নুংশিখ্রবা অসুক ফজখ্রবা ইশুসে
মপূ ঐবুসু থাদোক্লম চৎলবনিকো ঙসিদি
ঐনা লৈবিবা মেগ্গী-অঙ্কলচিপ, চোক্কলেট পিং পোং
চাররোইকো অমুক হন্না
ওহ! চৎখ্রেকো ইশুসে!

## ও! কল্লকই দে

**—মেঘ কোলোম**

কল্লবা লৈতেঙ্গাইলক্তা পন্থৌগী
ঈৱাই ঈনিল লাংঙমদা
শারবা কালেনগী মৈশালক্তা
নুংশিরবা লৈনম্না চুজরবী
শাৎচরন্মী লৈরাং'মা অখাং কন্না

নুংশিরবা লৈনমদুনা লৈরাংদুই
লিনরকখি থিনরকখি মখোঙ্গুল
চাউর ঈপাক লাল্লক্তুনা
ও! কল্লকই খঙহৌদ মহাকথক,

করম্বা কল্লবা মালংগী
থিংঙমদ্রবা পূক্লিংগী শাহুম্লক্ত
কেনখ্রবরা খাঙমদ লৈখোক্তই;

মাঙখ্রনিদো নুংশিবা লৈনম
কাউনখ্রনি নীংথিবী লৈশক
লুপখ্রনি মতমগী ঈরোন্নুং
কেনখ্রবনা লৈখোক্তই লৈরাংনা
ও পাম্মুজৈদকো কল্লকই দে।

## হুরানবশিংগী লমজেল

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

য়াওরুই ঐনা হুরানবশিংগী লমজেল
হুরানবসু হৈজদবা ঐনা
খঙলুদে ঐদি হুরানবশিংনি হায়বা
অদুনা ঐদি চুমদ্রিং চেনখি
অচুম্বা লম্বীদুদা।
হুরানবশিংনা লম্বী হুরাল হুরাল্লগা
য়ৌখি পন্থুং ঐঙোন্দগী হান্না।
চুমদ্রিং চেল্লিবা ঐনা লৈহৌই মনিংদা
কোন্নথংদা খঙলকই মসিদি
হুরানবশিংগী লমজেলনিদনা।

## লাক্লরোইদবদা

**—মাইস্নাম বীরেশ্বর**

নীংশিংলুরনু ফংলরোইদবা মাবু
চিন্তা পুরুরনু হল্লক্লরোইদবা মাবু
নুংনাংলুরুরনু হৌখ্রবদি হৌখ্রবনি
লাপ্না লৈখ্রো ৱাখলদু মঙোন্দগী
লৈমিন্নরিঙৈ থেংনরিঙৈদনা থৌওইবিদ্রগা
করিমত্তা মাগী শরুক য়াখিদ্রগা
অনুতাপকী মৈরিনা মৈৱাইরক্লিবনো?
নীংঙমদবগী অৱা চৈনা পুরিবনো?
পিরাং পিরোইননা ইরিক শিন্থরিবনো?
হান্নগুম মমাঙঙৈগুম লাক্লরোই উররোই
লিরুরনু খোঙচৎতুগী খোঙ্গুল অমুক হন্না
হন্দক মপোকসিগীদি লোইখ্রবনি লোইখ্রবনি
কপ্লিবসিনা মরম নোক্লিবসিনা মরম
হংলকপদা পাউখুম ফংলরোইদবা তাইবঙনি,
লৈকা ফনা শাৎলিবা লৈরাংনা খুল্লরোই
নোংমদোল অতিয়া থাজনা ইঙ্গিৎ পীররোই
নাকেন থাগী পামেলনা
মরু কোক্লা লেপ্লিবা পাঙ্খকনি
চোঙলরোইদবা আশাগী য়েন্নিংনি
নোংজু থানা ফুদিৎ ফুইনা চুরবসু
বসন্ত ঋতুনা মকা লাম্লরসু
শহারা লৈঙোই পাঙ্খকনি
খোঙলরোইদবা কোকিলগী শুরনি
নীংশিংবা কৌবা মাবু নীংশিংলুরনু
কান্নদ্রবনি অমত্তা কান্নদ্রবনি।

# ঈচেলদুগী ঈরাওখোল

## (লাইজ য়াওদবা মতমগী ঈচেলগী ঈরাওখোল তারিবা অইবা অমা)

**কলম্বসনা** মখোঙ য়াওরমদ্রবা ঙসিফাও অমেরিকা কদায়দা লৈবগে খঙলমদবা য়াই। ভাসকো দে গমানা মখোঙ য়াওরমদ্রবা ইন্দিয়াসু তোঙান তারম্বা য়াই। ঐখোয়গীসু লময়ানবী অইবী খাইদেম প্রমোদিনীনা সোসিয়েল ৱেলফেয়ারগী ডাইরেক্টর ওইরিঙৈদা চৎলু চৎলুবা চীংগী লমশিংগী পাউ ইদুনা তল্লমদ্রবদি চীংগী ৱারী মপূং ফারমদবা য়াই। 'অহোং-য়ূমগী' ফজবা উরমদবা য়াই। অইবা লমাবম বীরমনিনা 'উখ্রুলদৈ' ইরমদ্রবা করম্না উখ্রুলগী ফজবা শংশং উবা ঙমগনি। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়না ফংজরে লাইরেনলাকপম সরত। শিখিদৌবা পাম্মুবা অইবনি। ঐখোয়গী অনৌবা চক্কী খোরিরোলগী লময়ানবা ডা. কমলগী লুদৈ লুবা, অরোন অথুপ পুথোল্লক্তুনা কবি অসিনা হেক য়ৌরম্বা মফম খুদিং খোঙ্গুল লীদুনা থিরুরগা মানা লাইরিক অমা হান্না পুথোকখ্রে। মদুগী মপান্দগী ঐখোয়না কবি অসিগী তাঙনা ফংজবা অহানবা নোভেল 'মাধবী' গী অনৌবা ৱাহন্থোক অমা পুথোকপা ঙম্নরে। 'লৈ-পরেং' গী শৈরেং ১৭কী অনৌবা শক্তম শাগৎপদা মতেং ওইখ্রে।




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | ঈচেলদুগী ঈরাওখোল |
| মখল | ঃ | ৱারেং |
| অইবা | ঃ | লাইরেনলাকপম সরত |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | অশাংবা কম্যুনিকেসন |
| মমল | ঃ | ২০০/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

কল্পনাগা পুন্সিগা থাদোক্লবা য়াদে হায়বদু সরতনা ডা. কমলগী মতাংদা তশেংনা খুদম চাংদম পীদুনা উৎখ্রবা অইবনি। লৈবাক হূপ্পা সরতপু থাগৎফম থোকই।

অদুবু ঙসিনা অমুক পুথোল্লক্লে মাগী 'ঈচেলদুগী ঈরাওখোল' অসিমা অমুক। অপাবা খুদিংবু মাগী মতুং কোইন ইন্নহনবা ঙম্বা লাইরিক্লি। মমাঙগী মাগী ৱারেংগী লাইরিক্তনা ঐখোয়বু ডিব্রুগড় তান্না পুদুনা চৎলি, বেরী হ্বাইটকী প্রিন্সিপাল উনবা য়াওহল্লি। তমেংলোংদা ডা. কমলনা খোঙনা নুমিৎ ৪নি চঙনা ডাক্তর ওইবা চঙবদা তুং ইনহল্লি। তাম্নাগী খোঞ্জেল তাহল্লি। হন্দক্কী অসিদনা ঐখোয়না অমুক্তা তাদ্রিবা, খঙদ্রিবা, অৱাং মায়কৈগী চীংলোন কয়াগী, চীংমায় কয়াগী পাউ পুদুনা লাক্লে মানা। শরুক ১০ থোকপগী শরুক ১খক ওইবা, খুজিল মমায়মুক্তা পাকপা তম্পাক মচা অসিদা খুন্দারিবা মৈতৈ ফুরুপ্পু ৱারৌবা উৎপা খূৎইদা অইবনা মখোঙনা চৎতুনা পাউ তল্লরে, ঐখোয়বু চীং কাবা অসুক তল্লিসিবু করিগীনো হংলরে, য়ূম খুদিংদা।

মাগী পাউসি তাবদা ইকাইরোইদবা মীতৈ লৈতে। ফজবা মখৈদি চীংদা লৈরে হায়রি। ঐখোয়গী হৌরকফমসু চীংনি তাক্লি। ঐখোয় হৌরকফম কাউরবা জাতি ওইরে হায়রি। চৎলুবমক ঙমদ্রবদি সরতকী লাইরিক অসিদি পাবিয়ু, মাগী পাউদম তাদ্রবা মীতৈ/মৈতৈ অদুদি মমা লমদম মশক খঙদনা অদুম শিরনি।

অদুবু লুরিবদি মাগী ঈচেলদুগী ঈরাওখোল হায়রিবসি করম্বা তুরেলগীনো, করম্বা লোক্কীনো হায়দুনা থিরুরবদি লমায় ১২৫ পানবা লাইরিকসিদা ফংলরোই। য়াম্না হৈ-শিংনা কবিগী কল্পনা য়াওনা ইখ্রবা লাইরিকনি। ৱারেং খুদিং প্রমান পান্থে, পাউতাক, পাউমেন য়াওবা খূৎইনি। কনাগুম্বনা পাব য়াগনি লমকোয় ৱারী ওইনা, কনাগুম্বা অমনা রিসার্চ পেপর অমা ওইনা পারসু কায়দে। অয়াম্বা অপাবশিংনদি শোয়দনা হায়গনি, মসিদি কবিনা ইবা, সাহিত্যগী মহাও হাপ্পা ঙম্বা থম্মোয় পাউদম অমনি। সরতনা হায়রি, চীংসু-তমসু মতম্না লোইনা অওনবা পুরক্লে, অমতা ওইরম্বা ইচিন-ইনাও অমনা গৌর ধর্ম, অমনা খৃষ্টানীতি লৌনখিদুনা তোর্ব্বান ৱাংমা ৱাংমা লৈনখ্রে। মদুগী ঈরাউখোন্দুনি মানা তারিবা, মদুগী মীকপখোলদুনি মানা পাউদম্লিবা। চৎলগা খঙগনি হায়রি, চীংনা তম্বু কাউদি, ঐখোয়নদি চীংমীনা অহলনি, ঐখোয়না মনাওনি হায়রি। অদুবু সরতনা পাউ পুরক্লি, চীংমীশিংনদি, ঐখোয় মৈতৈনা অহলনি হায়হৌরি হায়রি। অসুক নুংশিবা পাউদম কদায়দা ঐখোয়বু তাখ্রবগে। শোয়দনা ময়ামসু পাবিয়ু।

অহানবা লামায়দা সাহিত্যগী নৈন-ৱারেং মানগনি। মানা ইরি, 'অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী য়ূম্ফম' কৌবা ৱারেং অমা। মসিদা মানা অনৌবা চক হৌবসি সাহেব চঙলকপদগীনি, ১৮৮৫ দা জোন্সটোন স্কুল লিংখৎপা অদুৱাইদগীনি হায়রি। মদুদা লময়ানবা অইবা অহুম (ডা. কমল, কবি চাউবা, মহাকবি অঙাংহল) অসিগী হোৎনজমল কয়া শীংথাদুনা ইরি। ডা. কমলগীদি কূপ্পা ইখ্রে, মসিদগী হেন্না কূপ্পা থিদুনা ইবদি ঐখোয় পাদ্রি হায়বা তাই। নোভেল ইবদা লময়ানবনি, শৈরেংবদসু, ৱারীমচাদসু লময়ানবনি হায়রি। পোথোক লিক্লবসু মরু অমতা মাদ্রবা খূৎথানি হায়রি।

কবি চাউবগীদি ট্রান্সলেসন্না হাল্লি হায়রি, ইংরাজিদগী ৫, বেঙ্গলীদগী ৭ পূন্না তরানিথোই। অদুগী মথক্তা মশাগী লাইরিক- কান্নবা ৱা, ছাত্র মচা, থায়নগী লৈরাং, ফিদম, ৱাখলগী ঈচেল, লবঙ্গলতা ইরম্বগী পাউদম থল্লি।

মহাকবিগীনা মরু ওইনা মহাকাব্য অনী, উপন্যাস অনী, নাটক ২ ইরম্বগী শীংথাদুনা তাক্লি। পাবদা মিৎ-মায় ওইবা ৱারেংনি।

মথঙগী ৱারেং, 'মতমগী য়াওলদা ডা. কমল' হায়বা অসিনি ফজরিবা। 'মাধবী' পাবদা নহালমখৈ কল্পনানি হায়দুনা লৈরুবদু ৱারেংসিনা অনৌবা মীনুংশি অমা হাপচিল্লে। মাধবীগী কখোকপা, অরোইবা পুন্সি লৈ পরেং মথং মপোক্কীদমক থমখিবদু অরেম্বা ওইরমদ্রে। অইবগী পুন্সিগী থৌদোক অমা পাউখোং চল্লম্বা ওইরল্লে, নীংবা কয়বা উপন্যাসকার অমা ওইনা উরকপদগী ডা. কমলবু হেন্না হেন্না নুংশিবা হেল্লক্লে। মসিদি সরতকী মপান্দগীনি।

মথঙগী ৱারেংশিংদি চীংনুংগী ৱারীনি। সাজৌবা খুলগী লাইওইরবা উ পান্বীগী পাউ য়াওরে। মখেলগী মীহৌরোলগী লীপুন য়াওরে। চীং অমসুং তমগী জাতি পূম্বা মফমদুদগী হৌখিবগী থাজনবী লৈহৌরি হায়রি। চীং-তম অনী কয়াম নক্লরম্মী হায়বদু ফজনা তাকখ্রে। মখেন খুল্লাকপনা মচানুপা অনীগী মরক্তা করম্বদা খুল্লাকপা ফম শিন্নরমগদগে খনফম খঙলক্ত্রবদা তমগী মতাউ নিংথৌদা খল্লক্লবা শিন্নবা ফাওবা য়াওরি। থাজবা য়াবা ৱারীনি।

মথঙদা 'কাদি' খুলগী পাউ য়াওরি। অঙাং পোর-পোরগা লাইরিক তম্বা কারকপা উৎলি। মমা মপানা পামদা চৎখিবনা অঙাং লৌবীনবা লৈতবদগী।

মথঙগী ৱারেং অয়াম্বদি 'পাউমৈ' জাতিগী পাউনি। খুল ৭৫দা চাইনা তারিবা জাতি অসিগী ফজবা কয়া লীখুন লীরুনি। কয়াম কূপথনা লীরুবগে হায়ববু খুল খুলগী চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ-চাকচেৎ, চৎনবী, য়ূম্বাল-কৈবাল, কুম্মৈ হরাও অমত্তা হেক চিথদ্রে। লোইনা মিৎনা উবা পাউদমনি। কনা অমত্তনা ককপা ঙম্লরোই। মসিদি চোকথবা নাইদ্রবা চীংশাং কোয়বা অইবা অসিগী তৌবীমলনি।

পাউমাই জাতিগী 'পৌকি' কুম্মৈ, 'লাওনা কুম্মৈ কয়াদা মরীক চূম্না পাউদম্লিবা। তমগী চৎনবীগা কয়াদা মান্নরিবা। তশেংনা রিচার্স স্কোলর অমগী খূৎইনি। মুক্লা শান্নবা ফাওবা উৎলি লমদুগী। পৌকি কুম্মৈনা লৌ লিংলমদাইগী, লাওনা কুম্মৈনা লৌ লোইরকপগী কুম্মৈনি হায়রি। হেন্না ফজরিবা অমনা পাউমৈ ফুরুপকী 'পাইরাইথৌপো' গী ৱারী অসিনি। 'ফুবাথাফম' দা তাব পাউমৈ কাঙবুগী ৱারীনি। খুলদুদা মচা-মশু লৈজদবা মতৈ-মনাও অমা লৈরম্মী হায়। মখোয়গী চাউরবা নুংপাক অমা শুমাংদা লৈ হায়রি। মদুদা ফৌ ফৌবদা লোকপা মতমদা ফৌ তঙ্খায় হেনগৎলম্মী হায়রি। খুলগী নুপী পূম্বা ফৌ পুরক্তুনা ফৌনবা মুন্নবগী ৱা য়াওরি। মদুদা শাউদুনা য়ূম্বু নুপীদুনা ফনেক্লা ফুরুবদগী নূংদু মতুংদদি ফৌ হেনগৎলক্ত্রে হায়বগী পাউদম য়াওরি। নূংদু হৌজিক ফাওবা লৈরি হায়রি। অদুবু ঙসিদি মতমগী ঈচেলনা চীংগী মী লোইনা খৃষ্টান ধর্ম লৌনখ্রে হায়বগী নুংঙাইতবসু অইবগী থম্মোয় পাউদম্না ফিবাল চেল্লি।

লোইশিল্লকপদা অইবনা তামৈদা নুমিৎ ২০নি লৈরুবগী থেংনরকপগী মিৎনা উবা পাউদম য়াওরি। ময়াংখাংগী ময়াং ফৌগী ৱারী য়াওরি। অইবনা অচুম-চুমদা মাগী মত পীদুনা অপাবশিংবুসু ৱাখল খলহল্লি। অরোইবা পাউদমনি, 'নোনে' দা লোইশিল্লি। নোনেবু ফোর্টিৱান কৌবগী মরম, লোংমাই কৌবগী মরম শেংনা তাক্লি।

ফজখ্রে, পূক্লিং লৌশিং ওইবা লাইরিক্লি। পাউনা পিক থনবা পুক্কে অমা ওইহৌদৌবা লাইরেনলাকপম সরতগী অনীশুবা খুদোলনি। হোৎনবা কনবা, মেট্রিক পরিক্ষাফাওবা পারগা থারকপা, মথঙ মথঙ এম এ ফাওবা থবক তৌনা তৌনা পারগদা থারকপা অঙকপা মীশক অমসুনি। হৌজিক্তি পি এচ দি লোইদুনা কলেজগী ওজা কুইনা ওইরল্লগা থবক্তগী পোথারে। অদুবু থিজিনবদি তোকপা লেপত্রি।

থবক্কী মীনি। শান্ন-খোৎনবগী লমদসু হৌজিকমক আর্মরেষ্টলিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবনি। ৱাফম অমতং অইবগী মফমদা থনম্বা তারবদি হায়নীংবা অমতংদি লৈরি। লাইরিকসি ৱারেং মখল কয়াগী শিংজু ওইনা পুথোল্লকপনা লাইরিক্কী মমল লেপ্পদা খুদোং চাদবা লৈরি। বিনাপানিগী ফিল্ম 'চীংলেনস্না' গী পাউদম ফাওবা অমুক হাপচিন্দুনা লাইরিকসি করম্বা মখলগী ৱারেংনো হায়বদা লুনা থোক্লি। অদুনা মথঙগী ফজবা মচা তাবা ৱারেং ঙাইজরি। লেপ্পা তৌবীগনু।

# নহানমুক মপোক্কী মহয়

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

**পুকচেল** তিংবা, অচম্বা মীশিংগীদি লন-থুমসি শরুক কয়া থুংগন্দে। রামতহল অসি নুংঙাইবা পাম্বা, লমচৎ কাম্বা, চিঙাক কাম্বা মীনি। অদুবু তাইবঙগী চৎন-লোনচৎতি য়াম্না হৈ-শিংই, ৱায়েলশঙগী থবক অমদি ৱাচৎ-ৱানোমসু য়াম্না হৈ। অমরোমদনা মাগী মনাওনুপা শিবতহল অসি মী য়াম্না চম্বা লাঞ্জদবা অমদি মীগী মতেং পাঙবদা নীংহন্নদবা মীওইনি। মরমসিনা মাগীদি মরল অসি অদুম চৎতুনা লৈ। মাগী থোঙ্গালদা মীথুং ওইনা মী অহুম-মরিদি অদুম লৈ। ময়াম্ববুদি খুল পূম্বদা কিনৈ। মাগী য়াথং ফংবদা খুদক্তা মাগী থবক পাঙথোক্লবা কনানো অমা হেক্তা চেল্লকই। ময়ূম-মকৈ শেমজিনবসু শিকি অমফাওবা চঙদে, শেন্দোনবা মীশিংনা শঙ্গোম থিনবা লাকই। অমরোমদা মনাওনুপাদি কনাদসু নাপল তৌদে, অচাউরম কাদে। লাইনীংবা লম্বোইবশিং লাকই, মখোয়বু মবুক থন্না পীজ-পীথক তৌরগা নীংথিনা থাদোকখি। মীনা পৈশা পুগে হায়রবসু পুহল্লি অদুবু শেন্দোয়দি অমত্তা লৌদে, মা শেন্দোই মীহৌদে, মখোয়গী অৱাবদু কোকহন্নবগীদমক্তনি, মখোয় নুংঙাইরোই হায়দনা কৈদৌঙৈদসু পৈশা থৌদে, অসুম্না চহী কয়া হৌখ্রে, শিবতহলগী মরল-মথুম পূম্বা মীগী কান্ননবা তৌবদা লোইনা মাঙখ্রে, পৈশাসু শিংবিরক্ত্রে। অশোমদনা রামতহলদু য়ূম অনৌবা অমসু অমুক শারে। সনা-লুপা য়োনবা দুকান অমসু হাংলে, লম খরসু লৈরে, লৌ-ইঙ্খোলসু মী নেক্লগা শুহল্লে।

করম্না হিংগনি? মসি খনবদা শিবতহলদু ৱারে। করি করবার তৌগনি, হৌদোক্লবা শেলসু লৈতে। পৈশা য়াওদনা তৌবা য়াবা থবক থিবা হৈবসু নত্তে। মীঙোন্দগী পৈশা পুবা হৈবসু নত্তে। করিগুম্বা করবারদা শেল মাঙলবদি কদায়দগী কুপখৎকনি? অতোপ্পা মীগী মখাদা থবক তৌবসু পামদে। শাগৈগী ঈজৎ হায়বা অমসু লৈ। থা অমা অনীদি অসুম্না হৌখ্রে। মমৈথংদদি উপায় লৈত্রদুনা ময়াম্বগী মনাক্তা চৎলে অদুগা হায়রকই - তাদ ঐ উপায় লৈত্রে, ঐগী ইমুং-মনুং অমদি ঐগী দায়ত্বসি নহাক্লা লৌবীরো।

রামতহলনা হায়রকই - মদুগীদমক নঙ করিসু ৱারুনু, নঙনা ফত্তবা থবক তৌবদা লন-থুম মাঙহনখিবা নত্তে। নঙনা তৌখিবশিংদুনা শাগৈগী মিংচৎ ফংখিবনি। ঐদি ফত্তবনি, ওক্তবনি মীয়াম্বু তাৎ তৌদুনা পৈশা তানবনি। নঙদি ইচম-চমজবনি, অতোপ্পশিংনা নহাকপু তাৎ তৌবীবনি। মসি নঙগী য়ূমমকনি হায়না খল্লু। ঐনা খুঙ্গংদা লৈবা লমদু নঙগী ওইরো । লৌ-ইঙ্খোলগী থবক তৌরো। থা অমদা নঙনা তৌগদবা চাদিংদু ঐঙোন্দগী লৌ। অদুগা ৱাফম অমনা লম্বোইবা-লাইনীংবশিংদা পীনবদি ঐগী পৈশা অমত্তং ফাওবা লৈতে। অদুগা নঙগী নচিন্দগী ঐবু চৈবগী ৱা তাহনবা য়ারোই।

শিবতহলনা হরাউনা হায়রকই - তাদ, ঐনা নঙগী মরমদা হায়বশিংদু ঐনা পঙবদগী থোকপা ঙাক্তনি। মখা তানা অমুক হায়ররোই। ঐবু ঙাকপীয়ু। মতুংদা ঐনা তৌরকপা তারবসু ঐবু চৈরাক পীবীয়ু। অদুগা ঐনা হায়জগদবা অমনা ঐনা তৌখিবশিংদু ইতৈমদা ৱারৌবীদনবা খরা হায়বীয়ু।

রামতহল- মানা নঙবু হেক চৈরবা ঐনা মাগী মরৈ থদৎকনি।

রামতহলগী লমদু সহরদগী মাইল তরা-তরামাথোইমুক লাপ্পী। য়ূম মচা অমসু লৈ। ষণ লাবা, গাড়ী, লৌ উনবা পোৎ অতৈ ময়াম অমসু লৈ। শিবতহলনা মাগী ময়ূমদু ময়াম্বদা শিন্নরল্লগা মাগী নুপী অঙাং পুরগা মাগী খুলদগী চৎখরে। মফমদুদা মানা থৱায় য়াম্না য়াওনা থবক শুরে। অতৈ থবক শুবশিংনসু য়াম্না চেকশিন্না থবক শুই, নোমজমল মহয় ফংলে। অহানবা চহীদুমক্তদা চাথোক্তু শরুক অনী হেন্না ফংলে। অদুবু হৈনখিবা করম্না হেক থাদোকপা ঙমগনি? হান্নগুম্নদি নৎত্রে অদুবু শিবতহলগী মীংচৎ তাবদা লাইনীংবা অমা অনীদি অদুম লাকই। তৌদবা য়াদবনিনা শিবতহলসু মখোয়বু পীজ-পীথক তৌরগা নিংথিনা চৎহনখি।

মানা ৱাফমসি ময়াম্বা খঙহনদে, মানা শাওদুনা মাগী পুকচাক মুনখিদ্রা হায়না পাখৎচৈ। মসিনা মরম ওইদুনা মানা ময়াম্বা খঙহন্দনা মাগী শরুক্কী ফৌ-চেঙ, চরুনচিংবদু তুমিন্না য়োল্লি। অৱাৎপসি মেনখৎনবা মানা নোংজু-নুংশা খাক্তনা থবক শুই। লোয়ননা অতৈ থবক শুবশিংবুসু শুহল্লি। মা অসুম্না মমাঙদা থবক অমুক্তা শুখিদ্রি। মরমসিনা মশাদু শোন্থবা হৌরক্লে, চাবসু অফংবা খরা চারে, অহাও-অথুম চাদ্রে, মদুসু মতম নাইদে। নোংমনা ঙন্না চাই, নোংমনা থেংনা চাই। খৌরাংলকপদা পুখ্রিগী ঈশিং হেক থকই। মশাদু হান্নসু শোল্লবনি, চান্ননা নারে। লৱাইগী লমদুদদি হীদাক লাংথক অফবগী খুদোংচাবসু নিংথিনা লৈতে, চাবসু নিংথিনা চাদ্রবনিনা লাইহৌনা ঙম্লে, মাগী লাইহৌদু অচম্বা লাইহৌ ওইদ্রে, মলেরিয়া ওইরল্লে। মরমসিনা থা তরুক নারল্লগা তাইবঙপাল থাদোকখ্রে। রামতহল পাউসি তাবদা য়াম্না নুংঙাইত্রে। চহী অহুমসিদা মা চেঙ মরূ অমা ফাওবা লৈবা হায়বদু খঙদ্রবনি। চিনি অঙৌবা, চিনি অঙাংবা, ঘী, চরু-শজিক, শন্থি অকংবা, শীং পূম্নমক খুঙ্গংদগী মনাওনা থিল্লকপনি। মা কপ্পনা লোইরে। মনাওনুপাদু লায়েংহৌদবগী নুংঙাইতবনা লোইরে। মশাগীতা খল্লিঙৈদা মনাওনুপাবু কাউরে। মলেরিয়াগী লাইহৌসি অসুক য়াম্না তমথিরমগনি হায়বসি কনানা খঙলুনি, পূম্নমক নোংদম্বা মাগী থৌশিলনি।

হৌজিক্তি লৌ-ইঙ্খোল য়েংশিনবীনবা কনাসু লৈত্রে। রামতহলসু লৌ-ইঙ্খোলগী নুংঙাইবদু খঙলে, লোয়ননা মরমচৎ ফত্তবনা মরম ওইদুনা মশাসু য়াম্না শোক্লে। মরমসিনা খুঙ্গংগী অশেংবা ঈশিং-নুংশিৎ ফংনীংলক্লে। মশামক খুঙ্গংদা চৎলগা লৌ-ইঙ্খোল শুরগে হায়না খল্লে। মচানুপাসু চাউরে। মঙোন্দা সহরগী পীথোক-পীশিনগী থবক্তু শিন্নরল্লগা খুঙ্গংদা লাক্লে। মফমসিদা মা ষণ শেন্নবদা থৱায় য়াম্না য়াওই। মাগী অফবা জাৎকী ষণবী অমা লৈ। চহী কয়াগী মমাঙদা মানা য়াম্না পামজনা লৈখিবনি। শঙ্গোমসু য়াম্না থোকই। মবুকসু য়াম্না ফৈ। অঙাংনা মচি পায়রবসু করিসু তৌদে। মা নাউপুরে। মাবু অমুক্কসু হেন্না লুনা তৌই। অয়ূক-নুংথিল মাবু নানবী-শিৎপী তৌই। মখূৎমক্লা মচিঙাক পীজৈ। মী কয়ানা মমল শরুক অনী হেন্না পীরগা লৈগে হায়। অদুবু রামতহলনা য়োম্থোকত্রে। মকুম থা শুরদুনা মচা পোল্লকপা মতমদা রামতহলনা য়াম্না চাউনা কুম্মৈ পাঙথোকই। ব্রাহ্মনশিংবু চাক পীজৈ, ঈশৈ নোংমাই তৌই। ষণনাওদুবু 'জৱাহির' হায়না মমিং থোল্লে। মাগী কুঠি অমসু শেম্বীরে। মদুগী মতুং ইন্না ষণনাওদু য়াম্না ঈংবা-তপ্পা, মরায়বক ফবা, মপূ নীংবা ওইগনি হায় অদুবু চহী তরুকশুরকপা মতমদদি খুদোংথিবা অচৌবা অমা লৈ। মসিবু লান্থোকখ্রবদি পুন্সি শাংনা নুংঙাইনা লৈগনি।

ষণনাওদু অঙৌবনি, মরায়বক্তা অঙাংবা মচুনা চন্দন থিনবগুম লৈ। মমিৎতু মুশিন মুই। মখোঙশিংদু ফজৈ। শম্না হায়রবদা মশক য়াম্না ফজৈ। নুমিৎ চুপ্পা অমা কোয়চেন চেন্দুনা শান্নে। মদু উবদা রামতহলনা নুংঙাইজৈ। মাগা অসুক্কী মতিক চান্নখ্রে। মানা চৎপা মফম খুদিংদা হুইগী মতৌগুম মমৈ ফেৎ-ফেৎ হাইদুনা মতুং কোয়ইন ইন্নে। মানা অয়ূক নুমিদাংৱাইরমদা মা উনবা লাকপা থবক শুবশিংগা চারপাইদা ফমদুনা ৱারী শাবা মতমদা জৱাহিরনা মাগী মনাক্তা লেপ্তুনা মখূৎ নৎত্রগা মখোঙ লেক্তুনা লৈ। মানা নুংশিনা মনঙ্গলদা নানবীবদা মানা মমৈ হাইগৎলকই। লোয়ননা মমিত্তা নুংঙাইবগী ইনোৎ কারকই। রামতহলনা মাবু অসুক্কী মতিক নুংশিজৈ মদুদি চাক চাবা মতমদা মানা মনাক্তা ফম্লদ্রবদি চাক-এঙ্গাং মহাও খঙদে। রামতহলনা মাবু অয়াম্বা মতমদা মতম্বাক্তা থাঙ্গৎতুনা পম্মী। মাগীদমক লুপাগী খ্বাংলি শাবী, মী অমনা নুংতিগী ইরু মায়থজবী অমদি নান্দুনা শিক্তুনা লৈ। মানা থবক্কীদমক অতোপ্পা খুলদা চৎলুরগা শগোল তোংদুনা হল্লকপদা মানা হরাউনা চোংজৈ। লোয়ননা মাগী মখোঙদা লেক্তুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকই অসুম্না শা অমদি মীগী মরক্তা মপা মচাদৌনা নুংশিনবসি উবদা মীপূম খুদিংনা ঙক্লে।

মথং-মথং

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**

**—লৈমপোকপম বেদান্তী**